ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

মণিপুরী লোলনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবগী থৌরম নীংশিংদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ জিরিবামনা শীন্দুনা ২৯শুবা মণিপুরী লেংগ্বেজ দে থৌরম পাঙথোকখিবগী শক্তম

লামায় ৬

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী উয়ালদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা ক্লব মঙাগী অপূনবা লূপ দিভলপমেন্ট কম্মিটি উয়ালনা চানবা পোৎলমশিং তেংবাঙ পীখিবগী শক্তম

লামায় ৩

অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ হাইলাকান্দি কম্মিটিনা শীন্দুনা লৈহৌপোকপী ময়ায় লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা ২৯শুবা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখিবগী শক্তম

ভোলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি রিমসনা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা ফেস মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি পি পি ঈনচিংবা পোৎলমশিং খূৎশিন্নদুনা মতেং পাঙখিবগী শক্তম

Vol. 44, Issue No.147 ইরাই, লাংবনগী হুমনি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Friday, August 21, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

জিরিবামনা ক্লিন সিটিগী মনা ফংলে, য়ু এল বি ১০০ য়ৌদবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা ১০শুবদা লৈরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফ্যেরসনা ঙসি স্বাছ সুর্বেক্সন ২০২০গী শরুক অমা ওইনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটি অমসুং ষ্টেটশিং লাউথোকখ্রে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনা অপূনবা মীশিং লিশীং ২৫ য়ৌদবা সিটিশিং লূ-নানবা চাংদম্নবদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অহানবা মনা ফংলে।

স্বাছ সুর্বেক্সন ২০২০গী ষ্টেট রেঙ্কিং লাউথোকখিবদা অর্বান লোকল বোদি ১০০ য়ৌনা লৈতবা ষ্টেটশিংগী ওইনা মকোক মথং খনবদা মণিপুরনা ১০শুবদা লৈরে। কাঙলূপ অসিদা পোইন্ট ২৩২৫.৪২ ফংখিবা ঝরখণ্ডনা মকোক্তা লৈরে।

ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফ্যেরসনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটি অমসুং ষ্টেটশিংগী মকোক মথং লাউথোকখিবদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা অপূনবা মীশিং ২৫,০০০ য়ৌদবা সিটিশিংগী মনুংদা জিরিবামনা মকোক ইথং থংনা লৈরে।

অপূনবা মীশিং লাখ অমা হেনবা সিটিশিংগী মনুংদা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটি ওইরে। গুজরাটকী সুরটনা অনীশুবা অমসুং মহারাষ্ট্রগী নবি মুম্বাইনা অহুমশুবদা লৈরে। অপূনবা মীশিং লাখ ১ য়ৌদবা সিটিশিংগী মনুংদা মহারাষ্ট্রগী করাদ, ষ্টেট অসিগী সাসৱদ অমসুং ষ্টেট অসিমক্কী লোনাবলানা মকোক মথং তারে।

অপূনবা সিটি ১০০ হেন্না লৈবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী লূ-নানবগী অথোই অহেন তান্নবদা ছটিশগরনা মকোক তারে। সিটি ১০০ য়ৌনা লৈতবা ষ্টেটশিংগী ওইনদি ঝরখণ্ডনা খ্বাইদগী লূ-নানবা ষ্টেট ওইরে। অপিকপা সিটিশিংগী মনুংদা ছটিশগরগী অম্বিকাপুর অমসুং মধ্য প্রদেশকী বুরহানপুরনা মকোক মথং তারে।

অপূনবা মীশিং লাখ ১দগীনা লাখ ৩ ফাওবা লৈবা সিটিশিংগী মনুংদা অন্ধ্র প্রদেশকী টিরুপতিনা মকোক তারে। জোন-জোনগী ওইনা চাংদম্নবদা নোর্থ জোনদা উত্তর প্রদেশকী গঙ্গাঘাটনা মকোক তারে। অপূনবা মীশিং ২৫,০০০দগীনা ৫০,০০০ ফাওবগী ওইনা অথোই অহেন চাংদম্নবদা জোন অসিগী নৱাসহর (পঞ্জাব) না মকোক তারে।

অপূনবা মীশিং ২৫,০০০ য়ৌদবা সিটিশিংগী ওইনদি অৱাগর (উত্তর প্রদেশ) না মকোক তারে। নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা অসামগী জে রহাটনা মকোক তারে। অপূনবা মীশিং ২৫,০০০দগী ৫০,০০০ ফাওবগী ওইনা চাংদম্নবদা নাগালেন্দগী মকোকচুংনা খ্বাইদগী নানবা সিটি ওইরে। অপূনবা মীশিং ২৫,০০০ য়ৌদবা সিটিশিংগী ওইনদি মণিপুরগী জিরিবামনা খ্বাইদগী লূ-ননবা সিটিনি হায়না লাউথোকখি।

ইষ্ট জোনগী ওইনা ওরিষাগী ধমতারি, ছটিশগরগী জাসপুর নগর অমসুং গুজরাটকী পটন সিটিনা মকোক মথং তারে। সাউথ জোনগী ওইনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটি অন্ধ্র প্রদেশকী পলামানেরু, টেলঙ্গনাগী মেদচাল অমসুং কর্ণাটকাগী পেরিয়াপটনানা মকোক মথং তারে।

ৱেষ্টর্ন জোনগীদা মহারাষ্ট্রগী পটনাগিরি, ষ্টেট অসিগী সিরদি অমসুং ষ্টেট অসিমক্কী পনহালানা মকোক মথং ওইরে। খ্বাইদগী লূ-নানবা কেন্টনমেন্টশিং লাউথোকখিবদা জলনধর কেন্টনমেন্ট, দিল্লি কেন্টনমেন্ট অমসুং মির

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

SWACHH MAHOTSAV
CELEBRATING URBAN SWACHHATA CHAMPIONS
AWARD CEREMONY | पुरस्कार समारोह
20th August 2020 Virtual Platform
Ministry of Housing and Urban Affairs
জিরিবাম JIRIBAM
NORTH EAST ZONE - CLEANEST CITY
Population upto 25,000
SWACHH SURVEKSHAN
JIRIBAM MANIPUR

মণিপুরদা অহানবা ওইনা মীদিয়াপর্সন অমা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাঙ্গেংনবদা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর কয়া পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা মীদিয়াপর্সন অমসু পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। পোজিটিভ ওইরবা মীদিয়া পর্সন অসি ইম্ফালদা বেজ তৌবা ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া হাওস অমগী ষ্টাফনি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডো. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ২৫ অমসুং নুপী ১৫ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৪০ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ৯ পূন্না মীওই ৪৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। মীওইশিং অদু গী মনুংদা রিমসকী ভি আর দি এলদা মীওই ২, জেনিমসকী ভি আর দি এলদা মীওই ৮, জেনিমসকী আর এ টিদা মীওই ১, থৌবালগী আর এ টিদা মীওই ৩, ববিনা দাইগ্নোটিক্সতা মীওই ২৪ কনফর্ম তৌখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিং অসিগী মরক্তা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১৯, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৬, বিষ্ণুপুরদগী ৪, চান্দেলদগী ১, উখ্রুলদগী ২, সেনাপতিদগী ১ অমসুং থৌবালদগী ৭ য়াওরি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৪০ মক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ওঙাক্তনি। ঙসিগী ওইনা ষ্টেট অসিগী মফম অমত্তদগী কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা মীশি-মীনা থোকপগী পাউ লৈতে। হৌজিক ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিনা লৈখিদবা মীগী মশীং ১৮ ওইরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা মীওই ১১৭সু দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি এফতগী ৭০ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টর য়ুনাকোদগী মীওই ৪৭নি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৪৯২৫

...মখা লামায় ৩ কলম ২

‘মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙহনবা য়ারোই’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : দিপার্টমেন্টেল এগজামদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয় ৫৩২৯গী পুন্সিবু খাঙুথক্তা মাঙহনবা য়ারোই হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কম্পার্টমেন্টেল এগজামদা মায় পাক্লকপা মহৈরোয়শিং গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুল খুদিংমক্তা মহৈ তম্বা ফংহনগদবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা স্কুল খরনা ওনলাইন ক্লাস তৌবগী মীংদা ক্লাস টেন অমদি ট্বেলভ থাগদবা মহৈরোয়শিং হোষ্টেলদা লৈহন্দ্রবদি এগজাম থাহল্লোই হায়দুনা কিহনবা পোকহল্লগা নম্ফুদা ট্যুসন ফী অমসুং হোষ্টেল ফী খোমগৎনবা হোৎনরকপা পূন্নমক খুদক্তা লেপকদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

আর কে ইমো চহী তরুক তাম্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী দিসিপ্লিনরি এক্সন কম্মিটিগী রিকমেন্দসন মতুংইন্না এম এল এ আর কে ইমো আইএন সীদগী চহী তরুক তাম্থোক্লে হায়না এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হরেশ্বর গোস্বামিনা ঙসি থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি। আই এন সীগী প্রাইমরি মেম্বর ওইবদগীসু সীজ তৌরে হায়নসু ওর্দর অদুনা মখা তারি।

অমিট শাহ উনগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): দিল্লিদা হৌজিক লৈরবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা টিম য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনদুনা মিনিষ্টর রিসফল য়াওনা হীরম কয়াদা ৱারী শানবা শেম শারি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট অমিট শাহ কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরবসু মশা নুঙাইতবগী এইমস হোস্পিটালদা লায়েংলকখিবনি। নোংমা-নিনিগী মনুংদা অমিট শাহ হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরক্লগনি। দিসচার্জ হেক

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

এম এল এ লোকেশ্বরগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন হায়কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী ৯ অমসুং ১০শুবা ইলেক্সন্দা মায় পাক্লকখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা ১১শুবা মীফমদসু ১-খুন্দ্রাকপম এ সীদগী কোংগ্রেস টিকেটতা কারকখিবা এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন হায়কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি অকোনবগী মীখলসিদা এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বর (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা থোকচোম নবকুমার, শগোলমাং মমাঙ লৈকায়গা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ থাংজম মোহেন্দ্রো (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মাইপাক, হরাওরৌদা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর ৩ ওফ ২০১৭নি।

পিটিসন অসিদা পিটিস্নরনা কোর্টতা হায়জরক্লিবনা এম এল এ অসিবু খনখিবা ইলেক্সন অদু চৎনদ্রে হায়দুনা লাউথোকপীয়ু। পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এ অসি মখা তানা চহী ৬কী ওইনা মীখল থেংনবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা পীবিয়ু। লোয়নন্না রেসপোন্দেন্ট অসিবু রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১২৫ এগী মখাদা চৈরাক পীবিয়ু হায়বসিনি।

অদুগা পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা রেসপোন্দেন্ট এম এল এনা পাঙথোকখ্রিবা কুমজা ২০১৭কী ইলেক্সন অদুগী ফেব্রুৱারী ১৩, ২০১৭তা রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) দা পীশিনখিবা এফিদেবিটকী পেরা ১০দা মহাক্কী এদ্যুকেসনল ক্বালিফিকেসন অসি কুমজা ২০০৩দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী হিষ্টোরিদা এম এনি হায়দুনা লান্না হায়জিনখি হায়রি। মরমদি হায়রিবা চহী ২০০৩ অসিদা সবজেক্ট অসিদা এম এ পাস তৌখিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা ‘থোকচোম লোকেশ্বর সিংহ’ কৌবা অমত্তা য়াওদে হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নর টি ঐচ মোহেন্দ্রোগী ইলেক্সন পিটিসন অসিগা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

লম্বী ফাওনদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): হৌখিবা নোংমা-নীনি অসিদা মণিপুরদা নোং ময়াই ওইরপ্লা তাবদগী ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী তেংনৌপল অমদি লোকচাওগী মরক্তা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা খঙহৌদনা চীং নীংখায়রকপদগী মতম কুইনা লম্বী থিংলুরে।

চীং নীংখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা লাকপা গাড়ী কয়া লমখাংদা পন্দুনা লৈনখি। চীং নীংখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা মনাক নক্লা থৌজিল্লুবা অঙৌবা মচুগী বোলেরো অমা লৈখোম-লৈনাঙনা চেন্থখ্রে। অদুম ওইনমক খূদোংথিবদি থোকহৌদ্রে। লম্বী অসিগী মফম খরদসু চীং খরা নীংখায়খি। লোকচাও

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটরগী থবক্তা খূৎ থিংজিল্লি হায়বগী কেসতা কন্টেমনর কান্ত রোয় হায়কোর্টতা লাক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর (ভি সী) ওইনা থবক তৌনবগীদমক্তা এপোইন্ট তৌখিবা এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহগী থবক্তা খূৎ থিংজিল্লি হায়বা ৱাকৎতগী হায়কোর্টনা সু-মোতুদা লৌখৎখিবা ক্রিমিনেল কন্টেমপ্ট কেস অমগী কন্টেমনর য়ুমখাম কান্ত রোয় কোর্টতা মশা লাক্লবা খঙহনখ্রে।

হায়কোর্টনা লৌখৎপা কেস অসিগী নম্বর কন্টেমপ্ট কেস (ক্রিমিনেল) ৩ ওফ ২০২০নি। কেস অসি এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটরগী মায়কৈদগী লাকখিবা ৱাকৎ অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা কোর্টনা লৌখৎপনি।

ক্রিমিনেল কন্টেমপ্ট কেস অসি ঙরাং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি। কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলগা খন্নরগা মসিগী কন্টেমনর ওইরিবা য়ুমখাম কান্ত রোয়দা মথং থাগী ৮ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নদবা নোটিশ ইস্যু তৌখি। মঙোন্দা নোটিশ পীবগী থবক্লা হায়কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা (চয়োল অমগী মনুংদা) পাঙথোক্লবা খঙহনখি। লোয়নন্না মঙোন্দা ইস্যু তৌরিবা সম্মন নোটিশ অসিগী রিটর্নেবল দেট ওইরিবা সেপ্টেম্বর ৮গী অয়ূক পুং ১০.৩০দা মহাক কোর্টতা মশা লাক্লবা দিরেক্সনসু পীখি।

কেস অসি কোর্টনা খন্নবদা কাউন্সেল লাইশ্রম শশিবুষনবু কেস অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইনা খনখি।

পনবা য়াবদি এম য়ুগী ভি সীগী থবকশিং পাঙথোরক্লিবা এদমিনিষ্ট্রেটরনা মহৈকোল অসিগী তোঙান-তোঙানবা পোষ্টশিংগী পাঙথোকখ্রিবা রিক্রুটমেন্টশিংদা কন্টেমনরনা খূৎ থিংজিল্লকই হায়বা ৱাকৎশিং এদমিনিষ্ট্রেটরগী মায়কৈদগী কোর্টতা থল্লকখিবনি। কন্টেমনরনা এদমিনিষ্ট্রেটরনা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টশিংগা মরী লৈননা কেসনচিংবা ফাইল তৌরকখিবনি।

ম্যান্মারদা থোং ৬৯ শাবগা মরী লৈনবা রিট আপিল দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী ৱর্ক এজেন্সি অনীনা খূৎশম্নদুনা ম্যান্মারদা থোং ৬৯ শাবগা লোয়নন্না থোংশিং অসিগা মরী লৈনবা এপ্রোচ রোদশিং শেম্বগা মরী লৈনন্না এজেন্সি অনীসিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা রিট আপিল (দব্লিয়ু এ) অমা হায়কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

ঙসি চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী দিভিজন বেঞ্চনা দিসমিস তৌখিবা রিট আপিল অদুগী নম্বর ১৭ ওফ ২০১৯নি। আপিল অসি ষ্টেটসিগী ৱর্ক এজেন্সিশিং ওইরিবা নিরজ সিমেন্ট ষ্ট্রকচরেলস লিমিটেদ অমসুং মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এম টি দি সী এল) গী ওথোরাইজ সিগনেটরি অমা ওইরিবা ইম্ফালগী শিংজমৈ চীংঙামথক্তগী ঙাংবম রোবর্ট (৪৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি মেঘচন্দ্রনা আপিল্লেন্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

রিট আপিল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস (এম ঈ এ) কী সেক্রেটরি, মিনিষ্ট্রি অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

এম য়ুদা মণিপুরী লোলগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী লোলগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন- নৈনবা মীফম অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী সিনেট হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম বোবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়াগী লোল ১৬৫২ রোম লৈবগী মনুংদা মশাগী পুৱারী, নাৎ, শক্তম, ময়েক অমসুং তোপ-তোপ্পা চহীচা কয়াগী লোলচৎ লৈজবগা লোয়নন্না মীওই ১,০০,০০০তগী হেনবনা ঙাংনবা মমল য়াল্লবা লোল ৩০ গী মনুংদগী ২২ খক লৌখৎতুনা ইন্দিয়া কনষ্টিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা তোমথিল নাইরবা লোলশিংগী মরক্তা ইমারোল মীতৈলোলসু অমনি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ৭১শুবা এমেন্দমেন্ট অমদা মণিপুরী লোলবু ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা মীকুপ কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০ বু নীংশিংদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না প্রিজার্ভেসন এন্দ প্রোস্পেক্ট ওফ মণিপুরী লেংগ্বেজ ফোর দ ফ্যুচর জেনরেসন হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

এম য়ুগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিসকী দিন প্রোফেসর সী ঐচ য়াশৱন্তনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা শক্লাইরবা অইবা সাহিত্য একাদেমী মনা ফংলবা শরতচান্দ থিয়াম, লিঙ্গ্যুষ্টিক দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র প্রোফেসর এন প্রমোদিনি, মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. এন সনাতোম্বা অমসুং দি এম য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. দব্লিয়ু রোমেশনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা মণিপুরী লোলবু ৮শুবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মীয়াম্না পীবা মেন্দেট থওইদনা চোংখিবা ঈকায়নিংঙাইনি : ইবোবী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মশাগী পার্টিদা মীয়াম্না মেন্দেট পীদুনা থাগৎলকখ্রবা মীহুৎশিংনা, লৈঙাক পায়দে হায়না পার্টি চোংথোক চোংশিন তৌবসি ঈকায়নিংঙাইনি হায়না সী এল পি লিদর ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি কোংগ্রেস ভবন, ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ও ইবোবীনা হায়খি, মীখলগী মতমদা মশাগী পার্টিদা মীয়াম্না মেন্দেট পীখ্রবা কয়ানা পার্টি চোংথোক চোংশিন তৌরি। মখোয়না চোংথোকপা মতমদা এ সী অদুগী মীয়ামগী অয়াবা লৌফম থোকই। লৈঙাক পায়দে হায়দুনা হেক্তা চোংবা অসি ঈকায়নিংঙাই ওই। করম্না মখোয় অতোপ্পা পার্টিদা চোংলিবনো। মখোয়না চোংলিবা অসিনা মীয়ামগী নৎত্রগা ষ্টেটকী কদায়ফাওবা অফবা থবক তৌরবগে। কোংগ্রেসতা কারগা বি জে পিদা চোংদুনা চহী ৩ হেন্না লৈরক্লে। কনষ্টিট্যুসনগী ১০ শুবা সেদ্যুলগী মতুংইন্না দিসক্বালিফাই তৌরক্লগনি খনবদগী মখোয় রিজাইন তৌজবনি। মসি য়াম্না ঈকায়নিংঙাই ওইবা অমনি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q: Non-Gazetted postsing lounaba common eligibility test pangthoklagani hairibasi achumba khongthangni haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: September tha faobada indo-naga peace talkki waroisin purakpa ngamgani haibagi thajaba leibra?

Yes 20% No 80%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.০৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.২৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৪২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৫১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- চোংবা য়াবা চোংলে, ৱাবু ৱারেদা কমদৌনি?
- ꯆꯣꯡꯕ ꯌꯥꯕ ꯆꯣꯡꯂꯦ, ꯋꯥꯕꯨ ꯋꯥꯔꯦꯗ ꯀꯃꯗꯧꯅꯤ?



- টর্মসু লোইদৌবা কুইদ্রে, লাইবক থীবনি!
- ꯇꯔꯃꯁꯨ ꯂꯣꯏꯗꯧꯕ ꯀꯨꯏꯗ꯭ꯔꯦ, ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯊꯤꯕꯅꯤ!

কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী হেল্থ চেক-অপ তৌবিদ্রে হায়বগী ৱাকৎ কয়া ফোঙদোক্লরক্লি

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : লম্বোইখোংনাঙখোংগী মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর অমদি মৈত্রমদা লৈবা য়ূনাকোদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই কয়ানা সেন্টর অসিগী পীজ-পীথকপগী থবক, ৱাখল চাওথোক্লা নুংঙাইনা লৈনবা অমদি হেল্থ চেকঅপ তৌবগী মতাংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়না পেন্দবগী ৱাকৎ কয়া পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা মফম অমদগী হৌখিবা নুমীৎ খরনিদগী লম্বোইখোংনাঙখোংদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে খঙলক্লবা মতুং সেন্টর অসিদা চৎতুনা লৈরুরবদি অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংলদুনা অথুবা মতমদা নেগেটিভ ওইদুনা ফরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা অমগা লোয়নন্না লাকখিবনি। অদুবু সেন্টর অসিদা লাক্লবা মতমদদি খল্লম্বা ৱাখল অদুগা তায়োন্নবা হায়বদু ওইরে। চান-থক্লবগী মতাংদা মতম চানা ফংদবা, বাথ রুম, টোইলেট নুংঙাইতবা অমদি ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈতবা অদুগী মতাংদদি থোইনবু খল্লুদ্রে। সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা খ্বাইদগী পেন্দবা হায়রগদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা অনাবা অসিদগী ফগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোলদা লাক্লিবা মীওইশিংগী হেল্থ চেকঅপ অমত্তা তৌবিদবা অসিনি। শুপ্নগী সেন্টর অসিদা য়ৌরকখ্রবা মতুংদা ভিটামিনগী টেবলেট খরা, মরক-মরক্তা মাস্ক য়েনবা অমদি হেন্দ সেনিটাইজর খরা পীবিবা অসি নত্তনা হেল্থ চেকঅপ তৌবগী খুদোংচাবা পীবিবা লৈত্রি। লাইহৌ কন্না হৌরে, লোক খুরে, কোক ঙাওরে নৎত্রগা কোক চিক্লে হায়রুবদা মদুগী হীদাক অদুখতমক পীবিরি। অয়ূক অঙনবদা ব্রেক ফাষ্ট অমা, অয়ূক্কী অমদি নুমিদাংগী চাকলেন অমা পীরি। অয়ূক্কী চাকলেনদি অয়াম্বদা মতম নাইবা হায়বদু ওইদ্রে। অয়ূক্কী চাকলেন চাখ্রবা মতুংদা নুমীদাংগী চাকলেনগী মতম য়ৌদ্রিবা ফাওবগী শাংলবা নুংথিলগী মতমদা থক্লনবা চা পীবিদে হায়নসু মীওই অদুনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সেন্টর অসিদা লাকখ্রবা মতুং নুমীৎ ১৪ মপুং ফারবা মতুংদা অমুক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবনি। টেষ্ট তৌরবা অদুদা করিগুম্বা নেগেটিভ ওইরগনা ময়ূম-ময়ূমদা হলহনখিবা অমদি পোজিটিভ ওইরম্লগনা মখা তানা লৈথহনবা অসিনি। সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ হীদাক পুথোক্ত্রি হায়বসিদি খঙলবা ৱাফমনি। অদুবু পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংনা হকচাং খজিক নুংঙাইরক্তবা মতমদা সেন্টর অসিগী মেনেজমেন্ট পায়রিবা মীওইশিংনা হেল্থ চেকঅপ অমদি মেন্টেল হেল্থ সর্ভিসকী খুদোংচাবা তঙাইফদনা পীহন্নিংই। মরমদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লাকপা মীওইশিংগী মরক্তা হকচাং শোনবা অমদি পোজিটিভ ওইরে খঙবদগী ৱাখল কা হেন্না শোন্থবা মীওই কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। সেন্টর অসিদা নুমীৎ ১৪নী লৈবা মতমদা নোংমা ফাওবা লাক্তুনা হকচাংগী করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়না হংলখিবসু লৈতে। লোয়নন্না খজিক ৱাখল নুংঙাইনা লৈবা য়ানবগী এন্টরটেন্টমেন্টকী ওইবা খুদোংচাবা পীবিবা হায়বদুসু ওইদে। মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনা সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক খনবিদুনা তঙাইফদনা নুমীৎ খুদিংগী হেল্থ চেকঅপ

...মখা লামায় ৩ কলম ২

STATE COVID CARE CENTER
LAMBOIKHONGNANGKHONG, URIPOK, IMPHAL WEST

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫